# য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্ডর ফেন্সিং খুদক্তা লেপ্পবা খঙহনখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল দিসেম্বর ৫ :* ৱাথোক ওইরিবা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্ডর ফেন্সিংগী মতাংদা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা নিউ দিল্লিগী নোর্থ ব্লোক্তা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর সুসিলকুমার সিন্দেগা চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবীনা লুচিংবা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী দেলিগেসন টিমগা উন্নদুনা খন্ন-নৈনখ্রে। খন্ন নৈনবা অদুদা হোম মিনিষ্ট্রিগী সেনিয়ার ওফিসিয়েলশিং, সর্ভেয়র জেনরেল ওফ ইন্দিয়া, বি আর ও অমসুং অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংসু য়াওখি।

খন্ন-নৈনবা অদুদা চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবীগী মায়কৈদগী মণিপুরগী লমখৈ লানশিন্না হৌজিক খারিবা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্ডর ফেন্সিংগী এরিয়া অসিদা চৎতুনা গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসিয়েলশিংগা পুন্না জোইন্ট সর্ভে তৌদুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা হৌজিক খারিবা ফেন্সিংগী থবক অসি লেপ্পবা তকশিনখি।

চিফ মিনিষ্টর অমসুং ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মাইকৈদগী ইন্দো-ম্যান্মার বোর্ডর ফেন্সিংগী মতাংদা পুখৎখিবা ৱাফমশিং হোম মিনিষ্টরনা য়াম্না পুক্নিং চংনা তাখি।

য়াম্না কুপ্না খন্নরবা মতুংদা গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিং য়াওবা জোইন্ট দেলিগেসন অমা অমসুং মণিপুরগী ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিংগা পুন্না থা অসিগী ৭ অমসুং ৮ দা হৌজিক খারিবা ফেন্সিংগী শরুকশিং অদু য়াওনা চয়েৎনরিবা বোর্ডর পিল্লরগী শরুকশিং অদু পুন্না স্পোট ভেরিফিকেসন চথবা হায়না ৱারেপ লৌখি। লোয়ননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা খুদক্তা বি আর ও দা ইশু অসি সেট্টল তৌদ্রিবা ফাওবা খুদক্তা বোর্ডর ফেন্সিংগী থবক লেপ্পবা ইন্সত্রক্সন পীখি হায়রি।

অমরোমদা হৌজিক হৌজিক দিল্লিদা লৈরিবা চিফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী দেলিগেসন টিম হয়েং ইম্ফালদা থোরক্লগনি হায়রি।